কোরোনাভাইরস থেংনমিন্নরগনি

জেরুসলেম, জুন ২৬, (এজেন্সি) : ইজরেলি রিছার্স কম্পনিশিং অমসুং য়ুনাইটেদ অরাব এমিরেটস (য়ু এ ঈ)গী প্রাইভেট কম্পনিশিং খুৎশম্নরগা কোভিদ-১৯ পান্দেমিক থেংনমিন্নরগনি হায়না ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটনয়াহুনা লাউথোকখ্রে। ইজরেলি গভর্নমেন্টনা ৱেষ্ট বেঙ্ককী মফম খরদা সোভরেন্টি য়ৌহনবগী থৌরাং পায়খৎকদবা চয়োল অমা ফাজিল্লক্ত্রবা মতমদা লৈবাক অনীনা পাটনরসিপগী থৌরাং অসি পায়খৎলকখিবনি।

‘চাইনিজ এজেন্টনি’

ভোপাল, জুন ২৬, (এজেন্সি) : কোংগ্রেস অমসুং বি জে পিগী মরক্তা ৱাহৈগী লান কনখৎলকখিবগা লোয়ননা ইরাই নুমিত্তা বি জে পিগী নেসনল ভাইস প্রসিদেন্ট প্রভাট ঝানা মধ্য প্রদেশকী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর কমল নাথপু চাইনিজ এজেন্ট অমনি হায়খ্রে।

‘সাউথ চাইনা সীদা চাইনানা সিক্যুরিটিদা অকায়বা পীবা থবক কয়া চথরে’

হনোই, জুন ২৬, (এজেন্সি) : সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী সিক্যুরিটিগী ফিভমদা অকায়বা কয়া লাক্লে হায়না ইরাই নুমিত্তা ভিয়েটনাম অমসুং ফিলিপিন্সনা রিজেনল সম্মিট অমদা ফোঙদোকখ্রে।

কোরোনাভাইরস পান্দেমিক মনুংদা য়েৎনবা লৈরিবা সাউথ চাইনা সীদা চাইনাগী থবক-থৌরম কয়া কনখৎলকপগী মতাংদা নুংনাংবা লৈরিঙৈদা সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী লৈবাকশিং অসিনা চেকশিনৱা অসি ফোঙদোকখিবনি।

ভিয়েটনাম অমসুং ফিলিপিন্সনসু ফাংজিন্ননা মফম খরা ক্লেম তৌবা লৈরিবা য়েৎনরিবা ঈশিংগী শরুকশিং অদুদা লৈবা ইথৎশিংদা বৈজিংনা অতৈ লৈবাকশিংগী ৱা তাদনা অনৌবা এদমিনিষ্টেটিভ দিষ্ট্রিক্টশিং শেম্লে হায়না লাউথোকখিবা মতুং হৌখিবা এপ্রিলদা হনোই অমসুং মনিলা অনীমক্না চাইনাদা প্রোটেষ্ট তৌখি। ঐখোয়গী লমদম অসিদা কোভিদ-১৯ লাকশিন্নবা ৱানা হোৎনরিঙৈ মতমসিদা সাউথ চাইনা সীদা মীপাইনিংঙাই ওইবা থবক থৌরম কয়া চথনরক্লি হায়না ইরাই নুমিত্তা এসোসিএসন ওফ সাউথ-ইষ্ট এসিয়ন নেসন্সস (অসিয়ন)গী লিদরশিংগী ওইবা ওনলাইন মীটিং অমদা ফিলিপিন্সকী প্রসিদেন্ট রোদ্রিগো দ্যুটর্টেনা ফোঙদোকখি।

পার্টি খুদিংমক্তা উংখৎনবা হেনগৎকক্দবা থবক থৌরাংশিং পায়খত্তনবা অমসুং ইন্টরনেসনল লোগী মখাদা লৌফম থোকপা থৌদাংশিং লৌনবা ঐখোয়না অপিল তৌরি হায়না মীফম অদুদা মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

সাউথ চাইনা সীগী মফম কয়া ক্লেম তৌরিবা সী অসিগী অকোয়বদা লৈরিবা লৈবাকশিংনা কোভিদ-১৯ পান্দেমিক থেংনবদা মায় ওনশিন্দুনা লৈরিঙৈদা চাইনানা অতৈ লৈবাকশিংগী এক্সক্লুসিভ ইকনমিক জোনশিংদা চঙশিন্দুনা থবক থৌরম কয়া পায়খৎলকপদগী য়ু এসনা চাইনাদা মফম অদুদা চথরিবা অকন-অরিং শীংবগী থৌওংশিং লেপ্পনবা ফাওবা তকশিনবা লৈখ্রবনি। এপ্রিলগী অঙনবনা ভিয়েটনামনা লৈবাক অসিগী ঙা ফাবদা শীজিন্নবা হিশিংগী মনুংদা অমা চাইনাগী মরিটাইম সর্ভিলেন্স ভেসেল অমনা ঈশিংদা লুপহনখ্রে হায়না কমপ্লেন্ট তৌখিবদা সী অদুদা ভিয়েটনামনা তৌরিবা ক্লেমশিং ইলিগেলনি হায়না চাইনানা ফোঙদোকখি।

হোং কোংগী মতাংদা চাইনাবু চৈরাক পীনবগী বিল সিনেটনা শৌগৎখ্রে

HONG KONG
INDEPENDENCE

ৱাশিংটন, জুন ২৬, (এজেন্সি) : হোং কোংদা চৎনহনগদৌরিবা বৈজিংগী অনৌবা সিক্যুরিটি লো চাওনা শীংনবা খোঙথাং অমদা চাইনানা হোং কোংগী ওটোনোমি হন্থহন্নবা লৌখৎলক্লিবা থৌরাংশিং শৌগৎপা কম্পনিশিং নৎত্রগা মীওইশিংদা শেল-থুমগী অথিংবশিং থমগদৌরিবা লেজিসলেসন অমা য়ু এস সিনিটনা শগোলশেল নুমিত্তা পাস তৌখ্রে।

থৌরাংশিং অদুগী মনুংদা টেরিটরি অদুগী ওটোনোমিদা অকায়বা পীবগী থবকশিং শৌগৎলম্বা মীওইশিংগা থবক তৌরম্বা বেঙ্কশিংদা সেকেন্দরি অথিংবশিং থম্বগী থৌরাংশিংসু য়াওরি। লেজিসলেসন অসিনা বেঙ্কশিং অদুবু হোং কোংদা মরী লৈনবা মপানগী অতোপ্পা বেঙ্কশিংগা থবক তৌমিন্নবদা অথিংবা থম্বগা লোয়ননা য়ু এস দোলর ট্রান্সজেক্সনগী থবক্তসু পনখে চাওনা থল্লগনি হায়রি।

হোং কোং ওটোনোমি এক্ট অদু সিনেটনা মোট অমত্তা ওইনা পাস তৌখি। লো ওন্নবগীদমক মদু হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিভনা শৌগৎলবা মতুংদা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা খুৎয়েক পীগদবনি।

লেজিসলেসন অদুগী লিদ স্পোন্সর অমা ওইরিবা দেমোক্রেটিক সিনেটর ক্রিস ভান হোল্লননা সিনেটতা হায়খি মদুদি, লেজিসলেসন অদুনা বৈজিংদা ময়েক শেংলবা মেসেজ অমা পীদুনা করিগুম্বা হোং কোংগী ওটোনোমিদা অকায়বা পীগদবা থৌরাংশিং লৌখৎলকপা তারবদি মদুগী অফ-ফত্তগী থৌদাংশিং য়াজগদবসি হায়বসি খঙহল্লগনি।

চাইনাগী সিক্যুরিটি লেজিসলেসন অদুনা মরম ওইদুনা তঙাইফদনা ট্রম্পনা হোং কোংবু মখা তানা গ্লোবেল ফাইনান্সিএল সেন্টর ওইনা লৈবা য়ানবা য়ু এসনা পীরম্বা স্পেসল ট্রিটমেন্ট লৌথোক্নবগী প্রোসেস হৌখিবনি।

এক্স-নোর্থ কোরিয়ন দিফেক্তরগী ময়ুম অমসুং ওফিস সর্চ তৌখ্রে

সিওল, জুন ২৬, (এজেন্সি) : সাউথ কোরিয়ানা হৌজিক থোক্লিবা এন্টি-প্যোংয়াং লিফলেট কেম্প্যনগী ৱাথোক্তা চেন্নরিবা হান্নগী সাউথ কোরিয়ন দিফেক্তর অমগী সিওলদা লৈবা য়ুম অমসুং ওফিসতা পুলিস ওফিসরশিংনা ইরাই নুমিত্তা থিবা-হুম্বগী থবক চথখ্রে।

পার্ক শাং-হক কৌবা মীওই অদুনা বোর্দর লান্না এন্টি-নোর্থ কোরিয়ন প্রোপেগন্দা লিফলেটশিং থাবগী কেম্প্যেন লুচিংলকখিবা এক্তিভিষ্ট গ্রুপ ফ্রী নোর্থ কোরিয়াগী ফাইটরশিং লুচিংলি হায়না য়োনহাপ ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়রি। অদুমওইনমক সিওল মেট্রোপোলিটান পুলিস এজেন্সিগী প্রোব টিম অদু সিওলগী নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈবা সোংপা ৱার্দতা লৈরিবা পার্ককী য়ুমদদি চঙহনখিদে অমসুং মখোয় য়ুম অদুগী মমাংদা লেপ্পুনা লৈখি হায়রি। পুলিসকী মতুং ইন্না পার্কনা মখোয়দা য়ুম অদুবু সর্চ তৌবদা কন্না থিংলকপদগী মখোয় মপান্দা লেপ্পুনা লৈখিবনি।

পার্ককী থবকশিং অদুনা লৈবাক অসিগী লো খোঙ্গাওনবা লৈৱ্রা হায়বদু লেপথোক্লবগীদমক মেটরিয়লশিং পায়শিন্নবা হোৎনবগী শরুক ওইনা সর্চ অসি পাঙথোক্লিবনি হায়না পুলিস ওফিসর অমনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না য়ুমদগী মপান্দা হেক থোরকপগা থিবা-হুম্বা অমদি ইভিদেন্স কয়া সীজ তৌবগী থবক চথরগনি হায়নসু ওফিসর অদুনা ফোঙদোকখি।

মালেসিয়ানা মখা তানা রোহিঙ্গা রেফ্যুজিশিং লৌশিনবা ঙম্লরোই

কুলা লম্পুর, জুন ২৬, (এজেন্সি) : নোভেল কোরোনাভাইরস পান্দেমিক্না মরম ওইরগা রিসোর্স কাহেন্না হন্থরকপা অমসুং শেল-থুমগী থবক-থৌরমশিংদা চাওনা অকায়বা লাকপদগী মালেসিয়ানা ম্যান্মারদগী লাকপা রোহিঙ্গা মুস্লিম রেফ্যুজিশিং মখা তানা লৌশিনবা ঙম্লরোই হায়না মালেসিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর মুহিদ্দিন য়াসিন্না ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

কুমজা ২০১৭ দা মিলিটরিনা লুচিংদুনা ম্যান্মারদা মুস্লিম লালহৌবশিংগী মায়োক্তা চথখিবা মিলিটরি কেম্প্যেনদা খাংবা ঙমদ্রবা রোহিঙ্গাশিংনা লৈবাক অসিদগী চেন্দুনা বাংলাদেশতা লৈবা রেফ্যুজি কেম্পশিংদা শাইদাংদুনা লৈরকখি। অয়াম্বা রেফ্যুজিশিং কেম্পশিং অসিদা চঙজফম লৌখ্রবসু রেফ্যুজি কয়া মুস্লিমশিংনা মশিং য়াম্বা মালেসিয়াদসু চেন্নখি।

শেল-থুমগী ফিভম ফরকখিবা লৈবাক অসি মখোয়গী পামজবা পন্থুংফম ওইরকখি। তৌইগুম্বসুং রেফ্যুজি ষ্টেটস রেগনাইজ তৌদবা মালেসিয়ানা হন্দক্তা রোহিঙ্গা মুস্লিমশিং তোংবা হি কয়ামরুম লৈবাক অসিদা চঙহন্দনা তাম্থোকখিবগা লোয়ননা রেফ্যুজি চা কয়া ফাজিন্দুনা থমখি।

কোরোনাভাইরস শন্দোকপগা লোয়ননা ষ্টেট ফন্দশিং ময়েং তাহল্লি হায়রদুনা ফোরেনরশিংদা মালেসিয়নশিংনা অশাওবা উৎনরক্লিঙৈ চৈরক্তা লৈবাক অসিগী ওথোরিটিশিংনা থৌওংশিং অসি চথরকখিবনি। কোভিদ-১৯ পান্দেমিক্না শেল-থুমগী থবক থৌরমশিংদা চৈথেং চাওনা পীরকপগা লোয়ননা ঐখোয়গী রিসোর্সশিং অমসুং কেপাসিটি লৈরক্তবদগী ঐখোয়না মখা তানা রেফ্যুজিশিং লৌশিনবা ঙম্লরোই হায়না প্রাইম মিনিষ্টর মুহিদ্দিন্না ম্যান্মারসু য়াওরিবা মেম্বর ১০ লৈবা অসিয়নগী অতৈ লুচিংবশিংগা পাঙথোকপা টেলি কনফরেন্স অমদা ফোঙদোকখি।

ম্যান্মারনা লৈবাক অসিগী নোংচুপ থংবা রখায়ন ষ্টেটতা লৈরিবা মাইনোরিটি গ্রুপ ওইরিবা রোহিঙ্গাশিংবু তাথি-তাওইনা তৌই হায়বা ৱাফম অসিবু য়াদবগা লোয়ননা রোহিঙ্গাশিং লৈবাক অসিগী সিটিজনশিং নত্তে, তৌইগুম্বসুং সাউথ এসিয়াদগী লাকপা ইলিগেল ইম্মিগ্রেন্টশিংনি হায়রিবনি।

চাইনিজ রেজিমনা কন্ট্রোল তৌবা কম্পনিশিংগী লিষ্ট শেমখ্রে

ৱাশিংটন, জুন ২৬, (এজেন্সি) : য়ু এসনা ৱাৱে টেক্নোলোজিস য়াওনা বৈজিংদা লৈবা মিলিটরি রেজিমনা কন্ট্রোল তৌবা চাইনিজ কম্পনি ২০ মশক খঙদোক্তুনা কম্পনিশিং অসিগী ওইবা লিষ্ট অমা শেমখ্রে।

চাইনিজ মিলিটরিনা কন্ট্রোল তৌবনি হায়রিবা কম্পনিশিং অসি দোনাল্ড ট্রম্পকী এদমিনিষ্ট্রেসন্না চাইনাবু য়ু এসগী ইনভেষ্টমেন্ট ফংহন্দনবা অমদি তাংদাংবা টেক্নোলোজি খরা শীজিন্নবা য়াহন্দনবা লৌখৎলক্লিবা থৌরাংশিংগী শরুক ওইনা হৌজিক অথিংবা কয়া থল্লকপা য়াই হায়রি।

মিদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোকখিবদা, পেন্টাগোন্না য়ু এসতা ওপরেট তৌরিবা কম্যুনিষ্ট চাইনিজ মিলিটরি কম্পনিশিংগী লিষ্ট অমা ইশ্যু তৌখ্রে অমসুং লিষ্ট অদুদা চাইনাগী গভর্নমেন্ট, মিলিটরি নৎত্রগা দিফেন্স ইন্দষ্ট্রিগা শম্নবা নৎত্রগা মখোয়না কন্ট্রোল তৌবা এন্টিটিশিং য়াওরি।

লিষ্টতুদা য়াওরিবা কম্পনিশিংগী মনুংদা পনবা য়াবশিংদি এভিএসন ইন্দষ্ট্রি কোর্পোরেসন ওফ চাইনা, চাইনা এরোস্পেস সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি কোর্পোরেসন, চাইনা এরোস্পেস সাইন্স এন্দ ইন্দষ্ট্রি কোর্পোরেসন, চাইনা ইলেক্ট্রোনিক্স টেক্নোলোজি গ্রুপ কোর্পোরেসন, হাংজৌ হিভিজন দিজিটেল টেক্নোলোজি কো, ৱাৱে, চাইনা মোবাইল কম্যুনিকেসন গ্রুপ, চাইনা টেলিকম্যুনিকেসন কোপনচিংবশিং য়াওরি।

আর্মি মেদিকেল টিমশিংনা কোভিদ পেসেন্টশিং লায়েংলগনি

ন্যু দিল্লি, জুন ২৬, (এজেন্সি) : দিল্লি গভর্নমেন্টনা লৌখৎলকপা খোঙথাং অমগী শরুক ওইনা শকুর্বষ্টি রেলৱে ষ্টেসনদা লৈরিবা কোভিদ ক্যের ফেসিলিটিদা ইন্দিয়ন আর্মিগী মেদিকেল টিম অহুম দিপ্লোই তৌখ্রে। ইন্দিয়ন আর্মিগী মেদিকেল টিম খুদিংমক্তা মেদিকেল ওফিসর, নর্সিং এসিষ্টেন্ট ২ অমসুং এম্বুলেন্স ১ য়াওই হায়না আর্মিনা ফোঙদোকখি।

কোভিদ-১৯ পান্দেমিক থেংনবদা মতেং পাংনবগীদমক্তা ইন্দিয়ন রেলৱেজনা রেল কোচ কয়া শকুর্বষ্টি রেলৱে ষ্টেসনদা আইসোলেসন সেন্টরশিং ওন্থোকখি। শকুর্বষ্টিদা লৈরিবা রেলৱে কোচশিং অদু নুমিৎকী মঙালনা হকথেংননা য়ৈহন্দনবগীদমক্তা সেদ অমদা থল্লি। য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ষ্টেসন অসিদা লৈরিবা রেলৱে কোচশিংদগী ওন্থোকপা আইসোলেসন ৱার্দশিং অসিদা কোরোনাভাইরস পেসেন্ট অনী এদমিট তৌখি। রেল কোচতগী শেম্বা আইসোলেসন ফেসিলিটিশিং অসি য়াম্না থুনা লৈবাক অসিগী মফম অমদা হেক্তা য়ৌহনবা য়াই।

দিল্লি গভর্নমেন্টকী দিমান্দদা হৌখিবা জুন ১৭তা নোরদর্ন রেলৱেনা নেসনল কেপিটেলদা লৈরিবা রেলৱে ষ্টেসন ৯দা আইসোলেসন কোচ ৫০৩ ইন্সষ্টোল তৌখি। কোচশিং অসি লাইওং ইকনকন্দবা কোভিদ পেসেন্টশিং থম্বদা শীজিন্নগদৌরিবনি।

মিনিষ্ট্রি ওফ রেলৱেজ অমসুং ষ্টেট গভর্নমেন্টকী মরক্তা য়ানখিবগী মতুং ইন্না এরেঞ্জমেন্টশিং অসি লাংলকখিবনি। নোরদর্ন রেলৱেজনা প্লেটফোমশিং সেনিটাইজেসন অমসুং শীৎ-শেংবা, হাউসকিপ্পিং মেটরিয়লশিং ফংহনবা, বাইও-টোইলেটশিং মেনেজ তৌবা, মৈ পীবা, ঈশিংনচিংবা ফংহনগুম্বা, ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী ফেসিলিটিশিংগী থৌদাং লৌরি।

কোচশিং অসিদা আইসোলেসন ৱার্দশিং শীজিন্নবদা ফংহনগদৌরিবা ওক্সিজেন সিলিন্দরশিংসু রেলৱেজনা পীগদৌরিবনি। হায়রিবশিং অসিগী মথক্তা রেলৱেজনা কেটরিংগী থবকসু এরেঞ্জ তৌদুনা নোংমগী মনুংদা পেসেন্টশিং অহুল্লক পীজ-পীথক তৌগনি। কোচশিং অসি থল্লিবা রেলৱেজ ষ্টেসন অমসুং প্লেটফোম রেলৱেজ প্রোটেক্সন ফোর্সনা ঙাক শেন্দুনা লাক্লি।

ৱেষ্ট বেঙ্গলগী বি জে পিগী লিদর অমা রেলি য়াওবা য়াহনখিদ্রে

কোলকাতা, জুন ২৬, (এজেন্সি) : ৱেষ্ট বেঙ্গলগী ইষ্ট মিদনাপুর দিষ্ট্রিক্টতা রেলি অমা য়াওবা লাকখিবা ষ্টেট অসিগী সিনিয়র বি জে পি লিদর সয়ন্তান বাসু পুলিসনা লমখাংদা থিংদুনা ষ্টেট কেপিটেলদা অমুক হলহনখ্রে হায়রি।

থৌদোক অদু ইরাই নুমিৎকী নুংথিলদা দিষ্ট্রিক্ট অদুদা শীন-লাংবা কোভিদ রেলি অমদা শরুক য়ানবা বি জে পিগী লুচিংবা অসিনা মহাক্কী কারদা লাকপদা দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী সিনিয়র ওফিসলশিংনা অথিংবা পীখিবগা লোয়ননা থোকখিবনি।

অথিংবা পীরকখিবা মতমদা ঐহাক্না পুলিসতা রেলি অমত্তা পাঙথোক্লরোই হায়খি। তৌইগুম্বসুং মখোয়না ঐহাকপু মখা তানা ফাজিন্দুনা থমদুনা রেলি মফম য়ৌবা য়াহনখিদে। তৃনামুল কোংগ্রেসকী এক্তিভিষ্টশিংনা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মফম খুদিংমক্তা ঐখোয়গী পার্টি ৱর্করশিংদা এটেক তৌই। হৌজিক্তি মখোয়না ঐখোয়বু থিংবা ঙম্লক্তবদগী তৃনামুল এদমিনিষ্ট্রেসন্না পুলিসপু ঐখোয়গী ইহৌদা অয়েৎ-অপন পীনবা তৌবদা শীজিন্নরে হায়না বাসুনা ফোঙদোকখি।

ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা লৈরিবা পুলিস ষ্টেসনশিং হৌজিক তৃনামুল পার্টিগী ওফিসশিংগা মান্নরে হায়নসু বি জে পিগী লুচিংবা অসিনা ফোঙদোকখি।

হীরম অসিগী মতাংদা পুলিসনা ঐঙোন্দা সোল্যুসন অমা পীদ্রিফাওবা ঐহাক মফম অসিদগী ইঞ্চি অমা ফাওবা লেংলোই হায়না বি জে পিগী লিদর অসিদা অকনবা ফিরেপ অমা লৌরকখিবগা লোয়ননা পুলিস অমসুং লোকেল তৃনামুল কোংগ্রেসকী এক্তিভিষ্টশিংগা ঙাইহাক মুক্নরবা মতুংদা মহাক্কী কনভোই অদু কোলকাতাদা হনবা য়াহনখি।

অমরোমদা, পোলিটিকেল পার্টি খরনা লোকদাউনগী গাইদলাইনশিং থুগায়নবা হোৎনরি হায়না চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা গাইদলাইন থুগায়বশিংগী মায়োক্তা এক্সন লৌখৎকনি হায়না ৱার্নিং তৌখ্রে। সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টকী মায়োক্ত চথরকপা থৌওংনি। মখোয়না পব্লিক রেলিশিং অমসুং তোঙান-তোঙানবা পোলিটিকেল এক্তিভিটি কয়া চথদুনা চৎন-কাঙলোনশিং থুগায়রি। লো খোঙ্গাওনবা খুদিংমক মখোয় কনানো য়েংদনা এক্সন লৌখৎকনি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

আই এ এফকী হেলিকোপ্টর অমা ইমর্জেন্সি লেন্দিং তৌখ্রে

চান্দগর, জুন ২৬, (এজেন্সি) : ইরাই নুমিত্তা ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সকী হেলিকোপ্টর অমা টেক্নিকেলগী ওইবা অশোয়বা অমা লাক্তুনা হরিয়ানাগী এক্সপ্রেস ৱে অমদা ইমর্জেন্সি লেন্দিং তৌখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

মখোয়গী মতুং ইন্না থৌদোক অদুদা শোকপা-পনবা নৎত্রগা প্রোপর্টিদা অমাঙ-অতা থোকহনবা য়াওখিদে। রুটিন এয়র ফোর্সকী থবক অমগীদমক্তা চিতা হেলিকোপ্টর অমা হিন্দনদগী হালৱারাদা লাকখিবনি।

চাওরাক্না হিন্দনদগী নোটিকেল মাইল ১৪ রোম লাপ্পা মফমদা হেলিকোপ্টর অদুদা টেক্নিকেলগী অশোয়বা অমা থোক্লকখিবগা লোয়ননা হেন্না শাথিবা ফিভম অমা থোকহনদবগীদমক্তা চেকশিন থৌরাং ওইনা ইষ্টর্ন পেরিফরেল এক্সপ্রেস ৱেদা ইমর্জেন্সি লেন্দিং তৌখি হায়না দিল্লিদা দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

মিনিষ্ট্রি অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, পাইলোটশিংনা লৌখৎখিবা থৌরাংশিং অদু চুম্মী অমসুং য়াম্না থুখি। ইমর্জেন্সি লেন্দিং ওইদুনসু প্রোপর্টিদা অমাঙ-অতা অমত্তা থোকখিদে। খুদক্তা রিকভরি হেলিকোপ্টর অমা হিন্দনদগী থাখি। টেক্নিকেলগী অশোয়বা লৈরবা হেলিকোপ্টর অদু নীংথিনা চেক তৌবগা লোয়ননা শেমজিল্লবা মতুংদা হিন্দনদা অশোয়-অঙাম অমত্তা থোকহন্দনা থুনা পুরকখি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুদা পনখি।

হেলিকোপ্টর অদু সোনিপটতগী কিলোমিটর ১০-১২ রোম লাপ্না লৈবা কুন্দলি-ঘাজিয়াবাদ-পালৱাল নৎত্রগা ইষ্টর্ন পেরিফরেল এক্সপ্রেসৱেদা লেন্দিং তৌখি। টেক্নিকেলগী অশোয়বনা মরম ওইদুনা আই এফ এগী হেলিকোপ্টর ইমর্জেন্সি লেন্দিং তৌখিবা মতুংদা পুলিস কন্ট্রোল রুমগী গাড়ি খুদিংমক অমসুং পুলিস পর্সনেলশিং মফম অদুদা চঙশিনখি। মতুং তারকপদা আই এফ এগী চোপ্পর অদু শেমখি অমসুং পুং ২ লৈরগা মফম অদুদগী পাইখি হায়না সোনিপটকী এসিষ্টেন্ট সন্দিপ কুমারনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখি।

মহাক্কী মতুং ইন্না মফম অদুদা হেক য়ৌবগা পুলিসনা হেলিকোপ্টর ইমর্জেন্সি লেন্দিং তৌরম্লিবা লম্বী মতেক অদুদা গাড়ি চেনবা লেপহনখি। চোপ্পর অদুগী মনাক্তা কনামত্তা চঙহনখিদে। চোপ্পর অদু শেল্লগা পাইখ্রবা মতুংদা গাড়ি চৎথোক-চৎশিন য়াহনখি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/খৌনাও মনুংদা নাকল অনীমক পোমথোক্লগা লৈবা, পোমথোক্লগা লৈবা অদুদা নাই চারকপা, করিমত্তা চাবা থকপা য়াদবা, তিন য়োৎপদফাও নাবা, লাইহৌ তোয়না হৌবা, খৌনাও মনুংদা চাথৎপা, কোক তোয়না চিকপা, হৈ অমদি অঙৈংবা পোৎ চাবা য়াদবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা তোন্সিলনা য়াম্না কন্না নাদুনা খৌনাও মনুংগী নাকল অনীমক পোমথোক্লগা লৈবা, পোমথোক্লগা লৈবা অদুদা নাই চারকপা অমদি চাথৎলগা করিমত্তা চাবা থকপা য়াদবা, য়োৎশিনবদা য়াম্না নাবা, তিন য়োৎপদসু নাবা, খৌনাওদা লোক লৈবগুম্না তৌরগতা লৈবা, শিৎলুরগনা লোক য়াওরক্তবা, চাবা-থকপা য়াদবনা মরম ওইদুনা নোংম-নোংমগী হকচাং ময়েং তাশিল্লকপা, লাইহৌ তোয়না হৌবা, কোক তোয়না চিকপা, হৈ অমদি অঙৈংবা পোৎ চাবা য়াদবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট এন্দ নেসনল এৱার্দ ফংলবা Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু হন্না হন্না থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-P/7172/27 *থাগৎচরিবা :* **A. Ibomcha Singh, Hiyangthang**

OFFICE OF THE KUMBI MUNICIPAL COUNCIL

ꯅꯣꯇꯤꯁ/ NOTICE

Kumbi : The 19 June, 2020

No. 4/KMC/W-V-L/2017 : কুম্বী কৈথেলদা পোৎফম পান্দুনা অমদি ষ্ট্রিট ভেন্দর ফমদুনা পোৎ-চৈ য়োল্লিবী ইমা-ইবেল, ইচে-ইচলশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি, মদুদি তাং ১৬/৬/২০২০দা Director (MAHUD) Govt. of Manipur না থোকখিবা Letter No. 8/31/2017 - MUDA গী মতুংইন্না Pradhan Mantri Street Vendor's Atmanirbhar Nidhi (PM-SVA Nidhi) ভেন্দর লাইসেন্স পায়রবী রিগ্যুলর ভেন্দর অমদি ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংনা তাং ৩০/৬/২০২০ ফাওবগী মনুংদা মিং, লৈফম, আধার কার্দ, আধার লিঙ্ক মোবাইল নম্বর, আধার লিঙ্ক বেঙ্ক একাউন্ট নম্বর, ভেন্দর লাইসেন্স নম্বর অমদি শকখঙলবা চে-চাংশিং কুম্বী ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল ওফিসতা পীশিনবীরকউ।

Sd/- M. Inaobi Singh
Executive Officer,
Kumbi Municipal Council

HL-P/7200/27

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/ ওজা ABDUL HAK পু থাগৎচরি

পাউচে অসিদা কবিরাজ Abdul Hak Ph. No. 8794429681 & 8014623756 থেংনজবদগী ওজাগী মনাক্তা চৎতুনা লায়েংজবদগী ঐগী হকচাংদা নূংশঙনা মরম ওইদুনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ হাম্বদা মতম কুইনা চঙবা, মপূং ফানা অমাংবা শেংদোকপা ঙমদবা, অমাংথোঙ ময়াদা পোল্লগা লৈবা অমদি অপোম্বা অদু চিকপা-নাবা, মরক-মরক্তা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, মচুম অনংবা তাবা, পুকচেপ নাবা, ঙকশম মরী নাবা, পাঙ্গল শোন্থবা, খ্বাং নাবা অদু ঙসিদি মপূং ফানা ফজরে। মরম অদুনা ওজাবু থাগৎচরি অমসুং মতম শাংনা মীয়ামগী থৌগল তৌদুনা পুন্সি নুংশাংনা হিংবিখো হায়না মপুগী মফমদা প্রথনা তৌজরি।

লায়েংফম :-

1. Wangoi SBI Awang, near oil pump (6 am to 5 pm)

থাগৎচরিবা : **M. Hemanta Singh,**
Uripok Sinam Leikai

HL-P/6782/27

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR : BISHNUPUR

Ref :- Mutation Case No. 76/SDC/Bishnupur, 2020

Elangbam Tomba Singh S/o (L) Ibohal Singh of Toubul Awang Leikai.
...Petitioner

-Vs-

Co-Pattadar No. 4- Elangbam Ibohal Singh S/o (L) Modhu Singh of Toubul. - O.P.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE

Bishnupur, the 26/06/2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি Co-Pattadar No. 4 Elangbam Ibohal Singh S/o (Late) Modhu Singh of Toubul দা লৈবগী মীংদা পানবা পাট্টা নং ৩৬/১০২ (অরিবা), ৩০ (অনৌবা), C.S Dag No. 1074 গী 0.13 চাউবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পিটিস্নরগী মীংদা নামা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা/কনাগুম্বীশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা আপতি (য়েৎপা) য়াগনি। করিগুম্বা য়েৎপীহৌদ্রবা তারবদি মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথরনি।

HL-P/7204/27 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector, Bishnupur**

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, III, MANIPUR

Ref :- Mut. Case No. 157/AS&SO,III dt: 25-06-2020

Jabir Ahamed Yumkhaibam S/o Y. Angou Khan of Kiyamgei Muslim Awang Leikai. *- Petitioner*

-Vrs-

(Late) Ruhima Shekh W/o Y. Angou Khan of Kiyamgei Muslim Awang Leikai. *...O.P.*

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE

Dt. 26/06/2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ২৫ (এ) কবো লৈকায় নোংপোক পাট্টা নং ১৭৩৯/২০৩৭ (অনৌবা), দাগ নং ৮৭৭/১৮৭০/পার্ট এরিয়া ০.০৬ একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার নং (Late) Ruhima Shekh মৃতু ওইখ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারি অসিগী মমিংদা নামা পানবিরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মচা, মশুশিং, মরী-মতাশিং অমসুং ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ০৩/০৭/২০২০ ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারগদবনি। করিগুম্বা মথক্তা হায়রিবা তারিখ অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চথরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌররোই।

Sd/- Assistant Survey & Settlement Officer, III, Manipur

HL-P/7202/28

ꯁꯦꯡꯗꯣꯛꯆꯔꯤ/শেংদোকচরি

ঐনা বোদিবিল্ডিং অমদি ষ্টেরোইদকী মতাংদা ভিদিও অপলোদ তৌজখিবা অদুদা বোদিবিল্ডরশিংবু শোকপা য়াবা ৱাহৈ য়াওবনা, এ এম বি বি এগী অয়াবা লৌজরগা ময়ামদা ঐনা লানখ্রে হায়না শেংদোকচরি।

শেংদোকচরিবা - **Kanish N**
Moirang Hanuba

HL-P/7208/27

IN THE COURT OF THE CHIEF JUDICIAL MAGISTRATE : IMPHAL EAST

Assam Schedule VIII, Form No. 100 ANNEXURE-10
High Court Criminal Process No. 4
CRIL MISC CASE NO. 135 of 2020
REF : FIR No. 104 (3) 2019 PRT PS
U/s 224/225/120-B/34 IPC & 39 UA (P) A. Act

PROCLAIMATION REQUIRING THE APPEARANCE OF PERSON ACCUSED
(Section 82 of the Code of Criminal Procedure)

1. Name, description and address of the accused.	Whereas complain has been made before me that ***1) Thokchom Nando Singh @ Nanao aged 34 yrs., S/o Th. Subol Singh a resident of Khangabok Part-III, Lamlong Bazar, PS Thoubal, Thoubal District, Manipur have committed the offence of above.***
2. Name of the accused	and it has been returned to a Warrant of arrest the re-upon issued that (2) ***Thokchom Nando Singh @ Nanao aged 34 yrs., S/o Th. Subol Singh a resident of Khangabok Part-III, Lamlong Bazar, PS Thoubal, Thoubal District, Manipur*** cannot be found, and whereas it has been show to my satisfaction that the said (2) ac cused person has absconded/or is concealing himself to avoid the service of the said warrrant. Proclaimation is hereby made that the said (2) ***Thokchom Nando Singh @ Nanao aged 34 yrs., S/o Th. Subol Singh a resident of Khangabok Part-III, Lamlong Bazar, PS Thoubal, Thoubal District, Manipur is*** required to appear at (3) 10.30 am.
3. Place	before this court to answer the said complaint on the **31st day of July, 2020.**

Dated this 24th June, 2020.

HL-P/7198/27,30 june & 3 july *Sd/-* **CJM/Imphal East.**

ꯌꯥꯝꯕꯨ ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ / ইয়াম্বু থাগৎচরি



সুধাকর

শগোলবন্দ খন্নাম লৈরক, ইন্ফাল (আই টি আই) মনাক্তা লৈবা লাইশ্রম নবকিশোরগী মচানুপা সুধাকর (শামু) না লায়েংবীবদগী ঐগী কিদনিদা লৈবা ৪ এম এম চাউবা নূং অমা অমসুং ঈশিং মরীদা লৈবা ৯ এম এম চাউবা নূং অমা পুন্না নূং অনীমক তারকখ্রে। মসিগীদমক ইয়াম্বসিবু হন্না-হন্না থাগৎচরি।

থাগৎচরিবা : মাইবম রনজন
লংথবাল কুঞ্জ অৱাং লৈকায়

HL-P/7195/27